## ফোরেন মিলিটরি ফোর্সশিং লৈরোইদবনি

মোস্কো, ওক্তোবর ১২ (এজেন্সি) :
সিরিয়াদা ফোরেন মিলিটরি ফোর্সশিং লৈশিনবা নৎত্রগা চঙশিনবনচিংবা তৌরোইদবনি হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরভিয়ু অমদা ৱা ঙাঙলদুনা পুটিন্না লৈবাক অমদা লোনা য়াদবা মওংদা লৈশিল্লিবা খুদিংমক মফম অদু থাদোক্কদবনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা সিরিয়াদা লৈরিবা রসিয়ন ফোর্সশিংসু সিরিয়াগী অনৌবা লিজিটিমেট গভর্নমেন্টনা মখা তানা মতেং পামদ্রে হায়না মোস্কোদা হায়রকপা মতমদা লৈবাক অসি থাদোক্লবা শেম শাদুনা লৈ হায়খি।

## গেমব্লিং ক্লবতা ৪ হাৎখ্রে

ন্যু য়োর্ক, ওক্তোবর ১২ (এজেন্সি) :
ন্যু য়োর্ক সিটিদা লৈবা লাইসেন্স য়াওদনা চল্লাইবা গেমব্লিং ক্লব অমদা থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই ৪ শিখ্রে অমসুং অতৈ অহুম্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। অশোকপশিং অদু অমনা নুপীনি. অনীনা নুপানি হায়রি।

## ঙামীশিংগী হি অমা লুপখিবগী মতাংদা নোর্থ কোরিয়ানা জপানদা কম্পেন্সেসন দিমান্দ তৌখ্রে



সিওল, ওক্তোবর ১২ (এজেন্সি) :
চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা জপানগী পেট্রোল বোট অমগা থেংগায়নবদা নোর্থ কোরিয়াগী ফিসিং বোট অমা ঈশিংদা লুপখিবগী মতাংদা কম্পেন্সেসন পীনবা নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিত্তা জপানদা অকনবা মওংদা দিমান্দ তৌখ্রে হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট মিদিয়া রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকখিবা হি থেংগায়নবগী থৌদোক অদু জপান্না অতম্না চথখিবা তাকু-তরাংগী থৌদোক অমনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং মতুংদা থোকহন্দনবা লৈবাক অসিনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমগী ৱারোল পল্লদুনা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি কে সী এন এনা ফোঙদোকখি।

মশক মমিং পনখিদবা স্পোক্সমেন অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী ভেসেল লুপহন্দুনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখিবগীদমক্তা জপানিজ গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী কম্পেন্সেসন পীরক্লবা ঐখোয়না কন্না দিমান্দ তৌই। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক থোরকপা তারবদি জপান্না পামদবা থবক-থৌওং কয়া শোয়দনা মায়োক্লরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা জপানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা কমেন্ট অমত্তা ফোঙদোরকখিদে। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা জপানিজ কোষ্ট গার্দকী ষ্টেটমেন্ট অমনা জপানগী পেট্রোল বোট অমগা থেংগায়নবদগী ঈশিংদা লুপখিবা ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হি অমদগী নোর্থ কোরিয়াগী ক্রু মেম্বর ৬০ রোম জপানিজ কোষ্ট গার্দনা রেস্ক্যু তৌরে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হি অদু জপানগী ঈশিংগী শরুক্তগী তানখিবনি হায়নসু পনখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী হি অদুনা মমাই খঙলৈ লৈবদগী এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি হায়বা জপানগী ক্লেমবুসু নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। ঙামীশিংগী হি অদু মহৌশাগুম্না ইচম চম্না ঙা ফাবগী থবক্তা শীজিন্নখিবনি। হৌজিক জপান্না অরানবা থবক অমবু অচুম্বা ওইনা উৎননবা হোৎনরি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তাখি।

## সিরিয়ন রেবেলশিংনা বোর্দর টাউন খুদুম চনখ্রে



ইষ্টাবুল, ওক্তোবর ১২ (এজেন্সি) :
টর্কিনা সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমদা ওপরেট তৌরিবা কর্দিস মিলিস্যা অমগী মায়োক্তা চথুরকখিবা লাঞ্জং নুমিৎ মরিনি শুজিনখিবগা লোয়ননা থাংজ নুমিত্তা টর্কিনা শৌগৎপা সিরিয়াগী রেবেলশিংনা লৈবাক অসিগী বোর্দর টাউন রাস অল এইনগী মরু ওইবা মফমশিং খুদুম চনখ্রে হায়না টর্কিস সিক্যুরিটিগী সিনিয়র ওফিসর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়াগী রেবেল গ্রুপ নেসনল আর্মিনা ঙসি অয়ুক টাউন অদুগী মরু ওইবা মফমশিং কন্ত্রোল তৌবা ঙমখি। হৌজিক মফমশিং অদুগী য়ুম কৈ লৈবা এরিয়াশিংদা ইন্সপেক্সন কন্না চথরি হায়না ওফিসল অদুনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

লমদম অদুদা লৈরিবা য়ু এসকী ট্রুপশিংনা টর্কিস ফোর্সশিংগী পোজিসনশিংদগী আর্টিলরি কাপশিল্লকখিবা মতুংদা টর্কিস ফোর্সশিংনা রাস অল এইন টাউন্দা অহিং চুপ্পা মিসাইল অমদি সেলশিং কাপশিনখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অঙ্কারাদা য়ু এসনা শৌগৎপা কর্দিস ৱাই পি জি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা চথুরিবা ওফেন্সিভ লেপ্পনবা তকশিনবগী থবক কনশিনখিবগা লোয়ননা অঙ্কারাগী খোঙথাং অসিনা লৈবাক অনীগী মরীদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লে অমদি য়ু এসকী অথিংবা কয়া মায়োক্লরকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে। টর্কিগী লাঞ্জং অদুনা মরম ওইদুনা মীওই ২০০,০০০ লোম ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে হায়না কর্দশিংনা লুচিংবা এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফোঙদোকখ্রে।

## টাইফুন হগিবিসনা জপানদা মীওই অমা শিহনখ্রে, মীওই মিলিয়ন কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংনবা পাউতাক পীখ্রে



টোকিয়ো, ওক্তোবর ১২ (এজেন্সি) :
মতিক ময়াই লৈরবা টাইফুন অমা থাংজ নুমিত্তা জপানগী কেপিটেল টোকিয়োদা শীৎচিল্লক্তুনা চহী ৬০ গী মনুংদা খ্বাইদগী কনবা নোং তাহনবগা লোয়ননা অকনবা নুংশিৎ পুরকখিবদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং ৩০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে।

টাইফুন অদুনা মরম ওইদুনা ওথোরিটিশিংনা মীওই মিলিয়ন ৬ হেনবদা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা পাউতাক পীখ্রে হায়রি। টাইফুন হগিবিস হায়না খঙনবা মতিক ময়াই লৈরবা টাইফুন অদু থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা জপানগী মরু ওইবা ইথৎ হোন্সু য়ৌরক্তুনা হায় টাইদকী মতমগা ফাংজিন্নবদগী অনেম্বা লমগী শরুক্তা লৈরিবা টোকিয়োদা ঈশিং ঈচাও পাক শন্না থুম্বগী ফিভম লাকখি।

কুমজা ১৯৫৮গী মতুংদা টোকিয়োদা শীৎলকপা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা ওইগনি হায়না গভর্নমেন্টনা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা টোকিয়োগী খা রোমদা লৈবা কনাগৱা প্রিফেকচরদা রোকোর্দ ওইবা মওংদা নোং তাহনখিবগা লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা নোং এম এম ৭০০ ফাওবা চুখি হায়রি।

জপান মিটিওরোলোজিকেল এজেন্সিনা টোকিয়ো, কনাগৱা অমসুং অতৈ অকোয়বগী প্রিফেকচর ৫দা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ৱার্নিং ইশ্যু তৌরদুনা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা নোং খ্বাইদগী কন্না অমসুং য়াম্না চুরগনি হায়না চেকশিন ৱা হায়খি।

ঐখোয়না মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা নোংজুগী চাং উবা ফংলি হায়না ওফিসল অমনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি। ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদ কয়ানা মফম কয়াদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহল্লম্লগনি হায়নসু ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি। টোকিয়ো অমসুং সিটি অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওই কয়া অতেনবা মতমগী ওইনা শেল্টা সেন্টরশিংদা চঙজফম লৌখ্রবনি। সিটি অসিগী হনিদা এয়রপোর্ট অমসুং চিবাগী নরিতা এয়রপোর্টতা ফ্লাইটশিং লেন্দিং তৌবা লেফখ্রবনি হায়রি।

## কর্দিস ফাইটর ৭৪, মীচম ৩০ শিখ্রে, কার বোম পোকখায়খ্রে

বৈরুট, ওক্তোবর ১২ (এজেন্সি) :
টর্কিনা লান্দাবদা শিখিবা সিরিয়াগী কর্দশিংনা লুচিংবা ফাইটরশিংগী মশিং ৭৪ য়ৌরে হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ওবজার্ভেটরি অসিগী মতুং ইন্না ফাইটর অয়াম্বা টেল অবয়াদ এরিয়াদা টর্কিস ফোর্সেসনা হাৎখিবনি। ওবজার্ভেটরি অসিগী দিরেক্টর রামি অব্দুলদরহমন্না ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী টর্কিস এসোল্ট হৌখিবদগী শিখিবা টর্কিনা শৌগৎপা সিরিয়াগী রেবেল গ্রুপশিংগী ফাইটরশিংগী মশিংনা ৪৯ য়ৌরে।

অমরোমদা, সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা টর্কিনা লান্দাবা হৌখিবদগী শিখিবা মীচমশিংগী মশিং ৩০ য়ৌরে হায়নসু লন্দনদা বেজ তৌবা ৱার মোনিটর অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

চৈরকসিদা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমগী হসাকা সিটিদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকী দিটেন্নি কয়া ফাজিন্দুনা থম্লিবা জেল অমদা হৌখিবা অহিংদা কার বোম অমা পোকখায়খিবগা লোয়ননা সিরিয়ন কর্দশিংনা লুচিংবা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা দিটেন্নিশিং নাম্থোকপা থিংনবগীদমক্তা অহেনবা ফোর্সশিং থাজিনখ্রে হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখ্রে।



কর্দশিংনা লুচিংবা সিরিয়ন দিমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ)কী ওফিসল অমনা গ্রুপ অসিগী ৱাটচএপ গ্রুপ অমদা রিপোর্ট অদু কনফার্ম তৌখ্রে। টর্কিস ফোর্সশিংনা সেল কয়া কাপশিল্লকখিবা মতুংদা কামিসিলিদা লৈবা জেল অমদগী ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্ট ৫ নাম্থোরকখি হায়না এস দি এফনা ইৱাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি।

নুমিৎ অদুমক্তা ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা নুপীশিংনা সিক্যুরিটি ওফিসশিংদা চৈ-লাং অমদি নুঙনচিংবা শীজিন্নদুনা এটেক তৌখি হায়না সিরিয়াগী কর্দিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি।

সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা টর্কিনা ইনৌ নৌনা এটেক তৌরক্লিবা অদুদা কর্দশিংনা লুচিংবা ফোর্সশিংগী দিটেন্নিশিং ঙাক শেনবগী পাঙ্গল হন্থরক্তুনা ইস্লামিক ষ্টেটকী দিটেন্নি কয়া নাম্থোকখিবা য়াই হায়না কর্দিস ওফিসল অমনসু ফোঙদোখ্রবনি।

## অফঘানিষ্টান্না পেসাৱারদা লৈবা কোন্স্যুলেট থিংজিনখ্রে




কাবুল, ওক্তোবর ১২ (এজেন্সি) :
পকিস্তানগী খায়বর পাক্তুনখ্বাগী কেপিটেল পেসোৱারদা লৈবা কৈথেল অমদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না এটেক তৌখিবগা লোয়ননা অফঘান নেসনল ফ্লেগ লৌথোকখিবা মতুংদা সিটি অসিদা লৈবা অফঘান কোন্স্যুলেট থিংজিনখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওইরক্লিবা ফিভম অসি পাকিস্তানদা লৈবা অফঘান এম্বেসেদর সাক্রুল্লাহ অতিফ মাসালনা পাকিস্তানগী পুলিসপু অফঘানিষ্টান্না ক্লেম তৌরিবা কৈথেল অদুদা এটেক তৌবগী মরাল শীখ্রবা মতুংদা লাকপনি হায়না টোলো ন্যুজগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি।

মিদিয়া রিপোর্টিশিং মতুং ইন্না প্রোপর্টি অদুগী মপু কন্নানা ওইগদগে হায়বগী মতাংদা য়েৎনবা লৈরবসু ইস্লামাবাদতা লৈবা এফঘান এম্বেসিনা কৈথেল অদু অফঘান গভর্নমেন্টগীনি হায়না ক্লেম তৌখি।

অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি মথৌদাং মশক খঙদবা অমসুং ইকাইবা পীবগী মওংনি হায়না অফঘান গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখিবনি। পাকিস্তানি পুলিসনা কৈথেল অদুদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না চঙলকপগা লোয়ননা মফম অদুদা লৈরিবা অফঘানিষ্টানগী ফিরালসু লৌথোকখ্রে হায়না হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অফঘান গভর্নমেন্টকী ওফিসলশিংনা ক্লেম তৌখি। লান্মী কয়া মফম অসিদা টেররিষ্টশিংগা মান্ননা লাকখি। অসিগুম্বা থৌওং অসি য়াফম থোক্তে। মসি লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরী ফগৎহন্নবগী অফবা থৌওং নত্তে মাসালনা ফোঙদোকখি।

পাকিস্তানগী কোর্টকী পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাখল্লোন খরনা মরম ওইদুনা অফঘান কৈথেল অদুগা মরী লৈননা লৈরিবা লিগেল ইভিদেন্স নীংথিনা য়েংশিনবিবা তৌদ্রে হায়বসি অফঘানিষ্টান্না অমুক হন্না পল্লি হায়না লৈবাক অসিগী ফোরেন এফেয়রস মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

কাবুলদা লৈবা পাকিস্তানি এম্বেসিগী মমাংদা সিভিল সোসাইটি এক্তিভিষ্ট কয়ানা পুন্দুনা পাকিস্তানগী মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লাউখি। ঐখোয়গী ফিরাল অসি ঐখোয়গী নেসনল আইন্টেটিনি কনামত্তনা ঐখোয়গী আইন্টেটিবু ইকাই খুম্নদবা য়ারোই হায়না সিভিল সোসাইটিগী এক্তিভিষ্ট অমনা ফোঙদোকখি। অতোপ্পা এক্তিভিষ্ট অমনসু অফঘান কৈথেলদা এটেক তৌবা হায়বসি লৈবাক অনীগী মরুপ-মপাং ওইবগী মরীদা এটেক তৌবনি হায়খি।

## ইরান্না সিরিয়ন কর্দশিং অমদি টর্কিগী মরক্তা ৱাতেম্বগী ওফর তৌখ্রে

দুবাই, ওক্তোবর ১২ (এজেন্সি) :
কর্দিস ফোর্সশিং থেংননবা টর্কিনা সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা অকনবা মিলিটরি কেম্প্যেন অমা চঙশিনখ্রবা মতুং অসিদা টর্কি অমসুং সিরিয়াগী বোর্দর পরিংদা সিক্যুরিটি লৈহন্নবা সিরিয়াগী কর্দশিং, সিরিয়ন গভর্নমেন্ট অমসুং টর্কিগী মরক্তা ৱাতেম্বগী থবক চথবা ঙমগনি হায়না ইরান্না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাতেম্বগী ৱাফম অদু হৌদোকপদা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহমদ জভদ জরিফনা দমাসকসপু টর্কিস ষ্টেটকী মায়োক্তা কর্দিষ্টান ৱার্করস পার্টি (পি কে কে)গী মিলিটেন্টশিংনা লান হৌবদা শৌগৎপা লেপ্পগী তঙইফদবা লৈরিবা চহী ২১ শুরবা সিক্যুরিটি একোর্দ অমা পনখি।

অমরোমদা, টর্কিগী মায়কৈদগী মতম শাংলক্লবা পেক্ট অদু মমাংদা অমুক্তা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা লৈখিদ্রি হায়না ফোঙদোকখি।

টর্কি অমসুং সিরিয়াগী মরক্তা পুরকখিবা হৌজিকসু ভেলিদ ওইরিবা অদানা এগ্রীমেন্ট অসি উংখৎনরিবা সিরিয়া অমসুং টর্কিগী বোর্দর পরিংদা সিক্যুরিটি লৈহন্নবগী হেন্না ফবা পাম্বৈ ওইগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা জরিফনা হায়খি মদুদি, সিরিয়ন আর্মিনা টর্কিগা লোয়ননা বোর্দর গার্দ তৌমিন্নবা য়ানবা ইরান্না সিরিয়াগী কর্দশিং, সিরিয়ন গভর্নমেন্ট অমসুং টর্কিগী মরক্তা য়ানবা অমা পুরকপদা মতেং পাংবা ঙমগনি। জরিফনা ৱাফম অসি ত্বিটর পোষ্ট অমদা ফোঙদোকখিবনি।

টর্কিস ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর (টি আর টি)না কন্দক্ত তৌখিবা ইন্টরভিয়ু অমদসু মহাক্না ৱাফম অসিমক পনখ্রবনি হায়রি। পি কে কেকা মরী লৈনবগীদমক্তা অঙ্কারানা টেররিষ্ট গ্রুপ অমনি হায়রিবা সিরিয়ন কর্দিস ৱাই পি জি মিলিস্যাগী মায়োক্তা টর্কিনা লান্দাবা হৌখিবা নুমিৎ মরিনি শুরকপদা ইরান্না ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

টর্কিস ফোরেন মিনিষ্টর মেভলুট কাভুসোগ্লুনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ১৯৯৮গী একোর্দ অদুবু ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হায়বসি সিরিয়াগী চহী ৮ শুরবা লান অদুগী পোলিটিকেলগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা মতমদা য়াগনি। অদানা পেক্ট ইমপ্লিমেন্ট হায়বসিদা সিরিয়ন গভর্নমেন্টনা অৱাং নোংপোক থংবা লৈবাক অসিগী লমদম কন্ত্রোল তৌবগী তঙাইফদবসু লৈ।

মসি হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা য়াওদে হায়না মহাক্না মখা তাখি। সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট অসাদকা য়াম্না নকশিন্নবা মীচং অমা ওইরিবা ইরান্না টর্কিদা সিরিয়াগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি ইকাই খুম্ননবা অমসুং মিলিটরি খোঙথাং লৌখত্তনবা তোয়না তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

## য়ু এসনা সাউদি অরাবিয়াদা অহেনবা ট্রুপ ৩০০০ থারগনি



ৱাশিংটন, ওক্তোবর ১২ (এজেন্সি) :
ওইল ফেসিলিটিশিংদা দ্রোন এটেক কয়া চথুদুনা কিহনবা হেনগৎলকপগী মওং অমা লৈরিবসি য়েংদুনা সাউদি অরাবিয়াদা অহেনবা ট্রুপ ৩০০০ দিপ্লোই তৌরগনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লাউথোকখ্রে।

ওইল ফেসিলিটিশিংদা চথুখিবা এটেকশিংদুগী মতাংদা য়ু এসনা ইরানবু মরাল শীখ্রবনি। ঙসি অহেনবা ট্রুপ ৩০০০ সাউদি অরাবিয়াদা পাইশিল্লগনি হায়না ইরানগা ৱাথোক্না মরী লৈননা হাপ্পা য়ু এস স্পেসল এনবোই ব্রিয়ান হুকনা ষ্টেট দিপার্টমেন্টতা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা ত্বিটরগী ৱারোল অমদা হায়খি মদুদি, সাউদি অরাবিয়াগী মশা ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল হেনগৎহন্নবা অমসুং ইরান্না অকন-অরিং শীংলকপগী মায়োক্তা দিটরেন্স শাগৎপদা মতেং পাংনবগীদমক লৈবাক অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অহেনবা ফোর্সশিং অমসুং মিলিটরি ইক্যুইপমেন্ট থানবগী খোঙথাং লৌখৎলিবনি।

ইরানগী রেজিমনা মরমচত্তা অহোংবা লাকহন্দবা তারবদি লৈবাক অসিগী শেল থুমগী থবক থৌরম খুদিংমক ফেল ওইবগী ফিভম শোয়দনা লাক্লগনি হায়না পোম্পিওনা মখা তাখি।

পাউমীশিংগা ৱারী শান্নবদা স্পেসল এনভোই হুকনা হায়খি মদুদি, সাউদি অরাবিয়া অসি য়ু এসগী মতম শাংলক্লবা সিক্যুরিটি পাটনর অমনি অমসুং লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবা অহেনবা ফোর্সশিং পীবিনবা হায়জরকখি। সাউদি অরাবিয়ানা হায়জরকপদগী য়ু এসনা থাংলক্লিবা খোঙথাং অসি লমদম অদুদা লৈরিবা ইরানগী অকন-অরিং শীংবগী থৌওংশিং মায়োক্লবা য়ারিবা পাটনরশিংনসু শৌগৎলি। রিজনেল সিক্যুরিটিদা ইনভেষ্ট তৌবগী খোঙথাং অমদা হৌখিবা মেদগী য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সনা গল্ফতা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সশিং ১৪,০০০ রোমদা হেনগৎহনখ্রবনি। য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসন্না প্রেসর কেম্প্যেন অমা চথরক্লিবসি মরু ওইবা পান্দম অনীদনি। অহানবা পান্দমদি ইরানিয়ন রেজিমগী শেল থুমগী ফিভম শোকহনবা অমদি অনীশুবা পান্দম্না লৈবাক অসিগী ৱারী শান্নবগী টেবলদা পুরকপনি।

## হোং কোংদা প্রোটেষ্টরশিংনা পেট্রোল বোম কয়া লংখ্রে

হোং কোং, ওক্তোবর ১২ (এজেন্সি) :
হোং কোংগী এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংনা থাংজ নুমিত্তা সিটি অসিগী মেট্রো ষ্টেসন অমগী মনুংদা পেট্রোল বোম কয়া লংখিবদা অশোক-অপনদি থোকখিদ্রে হায়না সিটি গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে। বৈজিংনা সিটি অদুবু কন্ত্রোল তৌবনবগী থবক লেপ্পুনা কনশিল্লক্লে হায়না থাজরিবা প্রোটেষ্টরশিংনা সিটি অসিগী লম্বীশিংদা অমুক হন্না থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবা হৌখিবগা ইরোইননা পেট্রোল বোম কয়া লংবগী থৌদোক অসি থোক্লকখিবনি।

গভর্নমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না এটেক অদুদা কাওলুন তোং ষ্টেসন ফিভম থিনা অমাঙ-অতা থোকখি। পেট্রোল বোমশিং শীজিন্নদুনা এটেক চথখ্রবা মতুংদা রাইয়ট পুলিসনা কাওলুনগী লম্বীশিং কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনখি। নহা ওইরিবা অমসুং মমায়দা মাইখুম উপ্পা কয়া য়াওবা প্রোটেষ্টর চা কয়ানা মতম অদুদা কাওলুনগী লম্বীশিংদা দেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোক্তুনা কুওলুন টোং ষ্টেসনগী মনাক্তা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অমা তম্না চৎখিবনি।

TODAY
ꯍꯥꯎꯁꯤ ...
HOUSIE BUMPER DRAW
TODAY
in aid of Annual Fund Drive
Image Charitable Trust
Regd.1149 of 2012
Date | Time :
Sunday 13th October
2019 ( 5 p.m)
Ticket Rate
Rs.1000/-
VENUE:SAGOLBAND TERA BAZAR
1ST HOUSEFULL
1 LAKHS
2ND HOUSEFULL
1 LAKHS
3RD HOUSEFULL
Rs.70,000/-
4TH HOUSEFULL
Rs.50,000/-
2 TICKET QUICK 10
Rs.30,000/-
MINI BUMPER
TICKET RATE - Rs.500/-


2ND MINI BUMPER
Ticket Rate Rs.100/-
Housefull
Rs.12,000/-
2 TICKET QUICK 10
Rs.3,000/-
HL-P/4077/13